

# সনালৈবাক স্পোর্টস


IMPHAL, TUESDAY, MAY 22, 2018 **PAGE 7**




*রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা মখাং শোকপনা মরম ওইরগা শরুক য়াররোইদবা চেলসিগী ষ্ট্রাইকর স্পেন মচা অলভারো মোরাটা*

*ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মরুওইবা ফুটবোল টিম অমা ওইরিবা দিল্লি দাইনামোসকী নৌনা এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা খনখ্রবা ম্রিদুল বেনরজি*

## থোমাস এন্দ অবর কপ ফাইনেলসকী গ্রুপ ষ্টেজগী মেটচশিংদা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী টিম্না ওষ্ট্রেলিয়াবু থোইখ্রে



*অবর কপ অমসুং থোমাস কপকী সিঙ্গলসকী মেটচ মায় পাকখ্রবী নেহৱাল (ওই) অমদি প্রনোই*

*বেঙ্কোক , মে ২১ঃ*

মালেমগী বেদমিন্টন মশান্নগী টিমগী ওইবা নুপা অমসুং নুপীগী মরুওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা থোমাস এন্দ অবর কপ ফাইনেলসকী গ্রুপ ষ্টেজগী মেটচশিংদা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী বেদমিন্টন টিম্না ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী বেদমিন্টন টিম্বু মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা থোমাস কপকী গ্রুপ ষ্টেজগী অনীশুবা মেটচতা ইন্দিয়াগী নুপাগী বেদমিন্টন টিম্না ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্বু মেটচ ৫–০ দা য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীখি।

টাই অদুগী অহানবা মেটচ ওইনা নুপাগী সিঙ্গলসকী মেটচ শান্নবদা ইন্দিয়াগী ঐচ এস প্রনোইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী এন্থোনি জোবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীখি।

অহানবা গেমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এন্থোনিনা ইন্দিয়াগী শান্নরোই প্রনোইবু য়াম্না কন্না লম্বা পীবা ঙমখ্রবসু য়াম্না নক্নবা স্কোরদা ২১–১৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী প্রনোইনা অনীশুবা গেম অদুদা য়াম্না ফজবা মশান্না উৎপা ঙমখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী এন্থোনিবু ২১–১৩ দা থোইদুনা টাই অদুদা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু মেটচ ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নখিবা নুপাগী দবলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী আর্জুন এম আর অমসুং রামাচন্দ্রন স্লোক্না ওষ্ট্রেলিয়াগী মেথিয়ু চাও অমসুং সাৱন সেরানিঙ্গেবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১১, ২১–১৫ দা থোইদুনা থোমাক কপকী টাই অদু ইন্দিয়ানা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অদুগী অহুমশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী বি সাই প্রনিথনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জেকোব স্কুলরবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরমখি।

অহানবা গেম ইন্দিয়াগী প্রনোইনা ২১–৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেম অদুদসু ইন্দিয়াগী শান্নরোই অদুনা য়াম্না হেনবা মওংদা ২১–৬ দা থোইদুনা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নখিবা থোমাস কপকী টাই অদুনা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু মেটচ ৩–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

টাই অদুগী মরিশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী দবলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী পেয়র আর্জুন জিওর্জি অমসুং সানিয়াম সুক্লানা ওষ্ট্রেলিয়াগী পেয়র সাইমোন লিয়ুং অমসুং রাইমন্দ টামবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নদুনা ২১–১৬, ২২–২০, ২১–৮ দা থোইদুনা মেটচ ৪–০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অদুগী মঙাশুবা অমদি অরোইবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগা লক্ষ্য সেননা কাই চেন টিওবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–৫, ২১–১৪ দা থোইদুনা টাই অদু মেটচ ৫–০ দা য়াম্না হেনবা মওংদা থোইবা ঙমখি।

নুপাগী টুর্নামেন্ট ওইরিবা অবর কপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ ষ্টেজগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইন্দিয়াগী টিম্না ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্বু মেটচ ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

নুপীগী টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী লম্বাদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা ওষ্ট্রেলিয়াগী সুৱান য়ু চেনবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা গেম সাইনা নেহৱালনা য়াম্না কোম্না ২১–১৪ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেম অদুদা ওষ্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই অদুগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা পীরকপদগী সাইনানা ২১–১৯ দা থোইদুনা টাই অদুদা মেটচ ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী দবলসকী মেটচতা ইন্দিয়াগী জাকাম্পুদি মেঘনা অমসুং পুরভিসা এস রাম্বু ওষ্ট্রেলিয়াগী গ্রোনিয়া অমসুং রেনুগানা ২১–১৩, ২১–১৬ দা থোইদুনা টাই অদু মেটচ ১–১ দা মান্নদুনা লৈখি।

নুপীগী টুর্নামেন্ট অদুগী অহুমশুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলস মেটচতা ইন্দিয়াগী ভাইসনাভি রেদ্দি জাক্কানা ওষ্ট্রেলিয়াগী জেনিফর টামবু ২১–১৭, ২১–১৩ দা থোইদুনা মেটচ ২–১ দা হেনখি।

মরিশুবা মেটচ ওইখিবা দবলসকী মেটচতা ইন্দিয়াগী সানয়োগিতা অমসুং প্রজাক্তা সৱন্টনা ওষ্ট্রেলিয়াগী লোইসা স্লিবু ২১–১৯, ২১–১১ দা থোইদুনা মেটচ ৩–১ দা ওষ্ট্রেলিয়াবু ইন্দিয়ানা হেন্দুনা চৎখি।

টাই অদুগী ৫শুবা মেটচ ওইখিবা নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী অনুরা প্রাভুদেসাইনা ওষ্ট্রেলিয়াগী জেসিলি ফুংবু ২১–১৬, ২১–৭ তা থোইদুনা টাই অদু ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু মেটচ ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

## স্পেনগী রাফেল নদালনা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভপু মায়থিবা পীদুনা ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রে



*রোম, মে ২১ঃ*

ইটালিগী সিটি রোমদা চত্থরকপা ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদালনা ২শুবা সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা নুপাগী সিঙ্গলসকী টাইটল ফংখ্রে।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা স্পেনগী রাফেল নদালনা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভপু য়াম্না হেনবা মওংদা সার্ভিস ব্রেক ২ তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

পনবা য়াবদি ইটালিয়ান ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী রাফেল নদালনা মমাঙদা মতম শাংনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭–৬(৭–৪), ৬–৩ দা থোইরম্বনি।

অমরোমদা নদালগী ফাইনেলদা লম্বা ওইখিবা ২শুবা সিদেদ জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকপু ৭–৬(১৫–১৩), ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট স্পেনগী রাফেল নদালনা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভকী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না শান্নরক্কুনা নদালগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা সেট অদু হৌবদগী হৌনা শান্নরোই অনীমক য়াম্না অকনবা লম্বা মান্নদুনা শান্নরকখি। অমনা অমবু হেঞ্জিনবা ঙম্নদনা শান্নরকখিবনা মরম ওইরগা গেম ২–২ দা মান্নদুনা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপদা জর্মনিগী জ্বেরেভনা গেম অমা মায় পাকপদা স্পেনগী রাফেল নদালনা গেম ৩ মায় পাক্কুনা অহুমশুবা সেট অদু জ্বরেভকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইখিবদগী ইটালিয়ান ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল অদু স্পেনগী রাফেল নদালনা লৌবা ঙমখি।

## FIFA World Cup 2018

### Fixtures in Indian Standard Time

| Match No. | Match | Date [Indian] | Day | Time [IST] |
|---|---|---|---|---|
| Group Stage | | | | |
| 1 | Russia vs Saudi Arabia | 14 June 2018 | Thursday | 8:30 pm |
| 2 | Egypt vs Uruguay | 15 June 2018 | Friday | 5:30 pm |
| 3 | Morocco vs Iran | 15 June 2018 | Friday | 8:30 pm |
| 4 | Portugal vs Spain | 15 June 2018 | Friday | 11:30 pm |
| 5 | France vs Australia | 16 June 2018 | Saturday | 3:30 pm |
| 6 | Argentina vs Iceland | 16 June 2018 | Saturday | 6:30 pm |
| 7 | Peru vs Denmark | 16 June 2018 | Saturday | 9:30 pm |
| 8 | Croatia vs Nigeria | 17 June 2018 | Sunday | 12:30 am |
| 9 | Costa Rica vs Serbia | 17 June 2018 | Sunday | 5:30 pm |
| 10 | Germany vs Mexico | 17 June 2018 | Sunday | 8:30 pm |
| 11 | Brazil vs Switzerland | 17 June 2018 | Sunday | 11:30 pm |
| 12 | Sweden vs Korea Republic | 18 June 2018 | Monday | 5:30 pm |
| 13 | Belgium vs Panama | 18 June 2018 | Monday | 8:30 pm |
| 14 | Tunisia vs England | 18 June 2018 | Monday | 11:30 pm |
| 15 | Colombia vs Japan | 19 June 2018 | Tuesday | 5:30 pm |
| 16 | Poland vs Senegal | 19 June 2018 | Tuesday | 8:30 pm |
| 17 | Russia vs Egypt | 19 June 2018 | Tuesday | 11:30 pm |
| 18 | Portugal vs Morocco | 20 June 2018 | Wednesday | 5:30 pm |
| 19 | Uruguay vs Saudi Arabia | 20 June 2018 | Wednesday | 8:30 pm |
| 20 | Iran vs Spain | 20 June 2018 | Wednesday | 11:30 pm |
| 21 | Denmark vs Australia | 21 June 2018 | Thursday | 5:30 pm |
| 22 | France vs Peru | 21 June 2018 | Thursday | 8:30 pm |
| 23 | Argentina vs Croatia | 21 June 2018 | Thursday | 11:30 pm |
| 24 | Brazil vs Costa Rica | 22 June 2018 | Friday | 5:30 pm |
| 25 | Nigeria vs Iceland | 22 June 2018 | Friday | 8:30 pm |
| 26 | Serbia vs Switzerland | 22 June 2018 | Friday | 11:30 pm |
| 27 | Belgium vs Tunisia | 23 June 2018 | Saturday | 5:30 pm |
| 28 | Korea Republic vs Mexico | 23 June 2018 | Saturday | 8:30 pm |
| 29 | Germany vs Sweden | 23 June 2018 | Saturday | 11:30 pm |
| 30 | England vs Panama | 24 June 2018 | Sunday | 5:30 pm |
| 31 | Japan vs Senegal | 24 June 2018 | Sunday | 8:30 pm |
| 32 | Poland vs Colombia | 24 June 2018 | Sunday | 11:30 pm |
| 33 | Uruguay vs Russia | 25 June 2018 | Monday | 7:30 pm |
| 34 | Saudi Arabia vs Egypt | 25 June 2018 | Monday | 7:30 pm |
| 35 | Iran vs Portugal | 25 June 2018 | Monday | 11:30 pm |
| 36 | Spain vs Morocco | 25 June 2018 | Monday | 11:30 pm |
| 37 | Denmark vs France | 26 June 2018 | Tuesday | 7:30 pm |
| 38 | Australia vs Peru | 26 June 2018 | Tuesday | 7:30 pm |
| 39 | Nigeria vs Argentina | 26 June 2018 | Tuesday | 11:30 pm |
| 40 | Iceland vs Croatia | 26 June 2018 | Tuesday | 11:30 pm |
| 41 | Mexico vs Korea Republic | 27 June 2018 | Wednesday | 5:30 pm |
| 42 | Korea Republic vs Germany | 27 June 2018 | Wednesday | 7:30 pm |
| 43 | Serbia vs Brazil | 27 June 2018 | Wednesday | 11:30 pm |
| 44 | Switzerland vs Costa Rica | 27 June 2018 | Wednesday | 11:30 pm |
| 45 | Japan vs Poland | 28 June 2018 | Thursday | 7:30 pm |
| 46 | Senegal vs Colombia | 28 June 2018 | Thursday | 7:30 pm |
| 47 | Panama vs Tunisia | 28 June 2018 | Thursday | 10:30 pm |
| 48 | England vs Belgium | 28 June 2018 | Thursday | 11:30 pm |
| Round of 16 | | | | |
| 49 | 1C vs 2D | 30 June 2018 | Saturday | 7:30 pm |
| 50 | 1A vs 2B | 30 June 2018 | Saturday | 11:30 pm |
| 51 | 1B vs 2A | 1 July 2018 | Sunday | 7:30 pm |
| 52 | 1D vs 2C | 1 July 2018 | Sunday | 11:30 pm |
| 53 | 1E vs 2F | 2 July 2018 | Monday | 7:30 pm |
| 54 | 1G vs 2H | 2 July 2018 | Monday | 11:30 pm |
| 55 | 1F vs 2E | 3 July 2018 | Tuesday | 7:30 pm |
| 56 | 1H vs 2G | 3 July 2018 | Tuesday | 11:30 pm |
| Quarter Finals | | | | |
| 57 | W49 vs W50 | 6 July 2018 | Friday | 7:30 pm |
| 58 | W53 vs W54 | 6 July 2018 | Friday | 11:30 pm |
| 59 | W55 vs W56 | 7 July 2018 | Saturday | 7:30 pm |
| 60 | W51 vs W52 | 7 July 2018 | Saturday | 11:30 pm |
| Semi Finals | | | | |
| 61 | W57 vs W58 | 10 July 2018 | Tuesday | 11:30 pm |
| 62 | W59 vs W60 | 11 July 2018 | Wednesday | 11:30 pm |
| Third Place Match | | | | |
| 63 | L61 vs L62 | 14 July 2018 | Saturday | 7:30 pm |
| Final | | | | |
| 64 | W61 vs W62 | 15 July 2018 | Sunday | 8:30 pm |

## ম্রিদুল বেনরজি দিল্লি দাইনামোসকী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, মে ২১ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগকী মরুওইবা টিম অমা ওইরিবা দিল্লি দাইনামোসনা ম্রিদুল বেনরজিবু মখোয়গী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইনা খনখ্রে।

পনবা য়াবদি মশাগী চহী ৫৯ শুরবা ম্রিদুল বেনরজিনা মোহমদন স্পোর্টিংগী কোচ ওইদুনা সেকেন্দ দিভিজন আই লীগ কী গ্রুপ 'সি' দা মরিশুবা পোজিসন তাহনবা ঙমখি।

বেনরজি মমাঙদা ইষ্ট বেঙ্গলগী কোচ ওইরম্লবা মতুং অতেনবা মতম খরা অসিদা মোহন বগান অমসুং ইন্দিয়ান এরোজকীদু লমজিং লমতাকপা ওইখি। লোয়ননা মহাক্না ইন্দিয়াগী চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিম অমসুং চহী ১৯ মখাগী ফুটবোল টিমগী শান্নরোইশিংবু লমজিং লমতাকপীদুনা ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমহনখিবনি।

ম্রিদুল বেনরজিগী লমজিং মখাদা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা মমাঙ চহীদা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা সন্টোস ট্রোফি নেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌহনবা ঙমখি।

নৌনা দিল্লি দাইনামোসকী এসিষ্টেন্ট কোচ ওইরবা ম্রিদুল বেনরজি য়াম্না লমজনিংঙাই ওইরবা অমল দত্ত মেমোরিয়েল ট্রোফি এৱার্দসু ফংবা ঙমখিবা মীশক অমনি।

## নেদরলেন্দসনা ইটালিবু পেনাল্টি সুট আওটতা পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা চহী ১৭ মখাগী য়ুরো ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌখ্রে



*চহী ১৭ মখাগী য়ুরোপিয়ান ফুটবোলগী টাইটল লৌখ্রবা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা হরাওবা ফোঙদোকপা*

*লন্দন, মে ২১ঃ*

ইংলন্দনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী য়ুরোপিয়ান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ কী ফাইনেলদা নেদরলেন্দসনা ইটালিবু পাঞ্জল ৪–১ দা মায়থিবা পীদুনা টাইটল লৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াবদি নেদরলেন্দসনা চহী ১৭ মখাগী য়ুরোপিয়ান ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক ইংলেন্দবু পেনাল্টি সুট আওটতা পাঞ্জল ৬–৫ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা ইটালিনা মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচতা বেলজিয়মবু পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ইটালি অমসুং নেদরলেন্দসনা শান্নখিবা চহী ১৭ মখাগী য়ুরোপিয়ান ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা হাল্ফ অদু টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখি।

অহানবা হাল্ফকী অয়াম্বা মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা এটেক তৌনদুনা শান্নরকখ্রবসু পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মিনট অমা চৎপদা ঙাইরিঙেদা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী জুরিয়েন টিম্বরনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা ইটালিবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থরবা ইটালিনা ইক্কেলাইজর চন্নবা হোৎনদুনা এটেক কয়া তৌশিল্লকখি। শান্নবগী ৬১শুবা মিনটতা ইটালিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা সামুয়েলি রিচিনা ইক্কেলাইজর অদু ওইহনবা ঙমখি।

পাঞ্জল মান্নবা মতুংদা শান্নবগী ৬৩শুবা মিনটতা ইটালিগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা এলেসিয়ো রিকার্দিনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা নেদরলেন্দসপু ইটালিনা পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থরবা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিং অদুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা ইটালিগী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা এটেক কয়া তৌখি।

শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা ব্রাইন ব্রোবিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা টিম অনীমক পাঞ্জল ২–২ দা মান্নদুনা লৈখি।

টিম অনীমক পাঞ্জল মান্নরবা মতুং মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১৬ লোমগী মতম অদুদা মায়কৈ অনীদগী অহেনবা পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা মেটচ অদু পাঞ্জল ২–২ দা মান্নদুনা লোইশিনখি।

চহী ১৭ মখাগী য়ুরোপিয়ান ফুটবোল টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ন ওইবা টিম মশক খঙদোক্নবগীদমক এক্সত্রা টাইম মিনট ৩০ হাপ্তুনা শান্নরকপদসু মায়কৈ অনীদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্ননা লৈখিবদগী পেনাল্টি সুট আওট কাওনরগা চাং য়েংনবা তাখি।

পেনাল্টি কিক কাওনবদা ইটালিগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমখক চনবা ঙমখি। অদুগা নেদরলেন্দসকী মায়কৈদগী কিক ৪ কাওবদা মরিমক চনবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু ৪–১ দা ইটালিবু মায়থিবা পীদুনা চহী ১৭ মখাগী য়ুরোপিয়ান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী টাইটল লৌবা ঙমখি।

## ইন্দিয়াগী সুমিত নগাল ফ্রেঞ্চ ওপনগী ক্বালিফায়রদা মায়থিহৌরে

*পেরিস, মে ২১ঃ*

থা অসিগী ২৭ তগী হৌগদৌরিবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা শরুক য়াননবগীদমক পাঙথোকখিবা ক্বালিফিকেসন মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সুমিত নগাল মায়থিহৌরে।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট ইন্দিয়াগী সুমিতনা স্লোভাকিয়াগী মার্টিন ক্লিজানবু ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

অদুবু অনীশুবা অমদি অহুমশুবা সেট অদুদা মার্টিন ক্লিজাগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা পীরক্কুনা ৬–৪, ৬–১ দা থোইখিবদগী ইন্দিয়াগী শান্নরোই সুমিত নগাল ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বালিফায়িং রাউন্দদা লৈহৌখি।